ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ১১, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ১৯শুবা মশীং

## লৈঙাকসি ফবু ফমল্লি

### কালেন্থাগী লৈবাক্লে অমুক ওইরক্লগনি

লৈবাকসিদা চৎনরিবা লৈঙাক্লোনসি দেমোক্রেসিনি। মীয়াম্না খঙ্বা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী লৈঙাক্লোন খূৎপায়নদুনা ৱায়েল থৌদাজবনি। ‘গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপল, বাই দি পিপল ফোর দি পিপল’নি। লৈঙাক্লোন অসিমক লৈবাকসিনা কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকখিবদগী চৎনবা হৌরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদসু মখা শাংথনা চৎনরক্লিবনি। মতুংদসু চৎনখিগদবা মাল্লি। লৈঙাক্লোনসিবু মথ্বায় হাপ্লিবা ইলেক্টোরেল সিষ্টম অসি চুমথোক্তুনা হোংদোকপা চুপ্লে অমসুং কন্সটিট্যুসনগী শরুক খরদসু অহোংবা লাকহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বগী খোল্লাউশিং লাউবা হৌনরক্লগসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চৎনরক্লিবা লৈঙাকসি মচি লেংবগী ফীভম উদ্রি। অদুগা অমনা লৈঙাক্লোনসিগী মরু ওইবা থৌবু অহুমগী মনুংদসু এগজিক্যুটিভশিংনসু লেজিসলেচরদা পীবা য়াবা সজেসন অমসুং মতেং পীবগী মহুত্তা মখোয়-মখোয়না তৌনীং-তৌনীংবশিং তৌবদগী জুদিসিয়ারিগী মতেং লৌনরকপগী ৱাথোক-লান্থোক কয়া থোক্লি। দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনদা এগজিক্যুটিভনা লৌগদবা থৌদাংগী মহুত্তা লেজিসলেচরগী ফুরিৎ খাওদা য়াওদুনা মখোয়না য়েরকপা পুঙলোনদা জগোয় শাবা মানবগী থৌদোক কয়াসু থোক্লি। অদুগা লৈঙাক্লোন অসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়রিবা প্রেসকী মীওইশিংসু মীৎ-নাকোংসি মপাঙ্গলশিং শোন্থরকপদৌনা তৌরক্লি। পূম্নমকসিগী মথক্তা দেমোক্রেসিগী লৈঙাকপু হিনাও শাদুনা মমায় চুমগদবা ওপোজিসনগী কাঙবুসু মখোঙ পুল্লগা থাদোকপা য়েন, থৌরি থুরবা ষণ-ইরোইগা পাংখল্লবদৌনা তৌরি।

ওইরিবা ফীভমশিং অসি লৈবাকসিগী মফম অয়াম্বদা ওইরকপনা পীকখ্রবা মণিপুরসু য়াওরিবনি। মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা লৈবাকসিগী অমসুং ষ্টেটসিগী লৈঙাকশিংসি ওন্থোক্লবু ফমনখ্রে হায়দুনা লৌবদা লাল্লোই। ষ্টেট এক্টর অয়াম্বনা ষ্টেজদা তোঙান তোঙানবা রোল লৌনবা, য়াম্নসু মানবা অমসুং ফজবসু ফজবা অদুগা লীলাগী ফি শেৎফমদনা অমগা অমগা অমত্তা ওইমিন্নবগী শক্তম অদুম্মক লৈরি। অসিগুম্বা দেমোক্রেসিগী ওইফম থোক্তবা মচৎসি হোংদোক্ত্রিবা ফাওবদি মতম-মতমগী ওইনা অনৌবা লৈঙাক ১০০ লাক্লবসু লৈঙাক্লোনগী ফীভম অদুম্মক উচিদা হঞ্জিন্দুনা লৈখিগনি। হৌজিক্তি মথং চহী ২০২৪দা পাঙথোক্কদবা অনৌবা লোক-সভাগী মতমসু নকশিল্লকপগা লোয়ননা শজিবু থাগী থামৈ ওইরক্তুনা কালেন্থা চঙলক্লগদবনিনা হিমায় চুমগদবা ওপোজিসন অমসুং প্রেসনা শোন্দম নাদমদুনা লৈরকপনা লৈঙাক্তি মথৌনা ফবা লৈবাক্লেদৌনা মথন্তা অদুম্মক মহৌশাগুম থিনগৎলকখিগনি। হাইনা-হুম্না পানখিগনি। পানসনু, পানগনু হায়বা নত্তে। পান্নবা মীয়াম্না মখোয়গী মীহুৎ ওইনা থাগৎলকখিবনি। অদুবু খোঙকাপ কারল চল্লক্তুনা অচুম্বা লম্বীদা চৎহনবিনবা লমজিংগদবা অমসুং অহেনবা মীৎ-নাকোংশিং ওইগদবা ওপোজিসন অমসুং প্রেসতি য়াংলেন শরূ লুজাও তেক্লবা মীওইগা পাঙ্খক্লরে হায়বনি। ফীভমশিংসিদা হৌজিক ফাওবা লৈরিবা লৈঙাকশিং অসিনা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তনি হায়দুনা তৌথোরক্লিবা থবকশিংসি ফবু ফমনখ্রে হায়বগী ৱানি। মীয়ামগী অতোপ্পা পান্বে লৈত্রে। ইচা ফত্তবা চাওবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা তাবনি।

## ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤ ꯐꯕꯨ ꯐꯃꯜꯂꯤ

### ꯀꯥꯂꯦꯟꯊꯥꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯂꯦ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯣꯏꯔꯛꯀꯅꯤ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯆꯠꯅꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯅꯁꯤ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯪꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯗꯨꯅꯥ ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯊꯧꯗꯥꯖꯕꯅꯤ꯫ ‘ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯠ ꯑꯣꯐ ꯗꯤ ꯄꯤꯄꯜ, ꯕꯥꯏ ꯗꯤ ꯄꯤꯄꯜ ꯐꯣꯔ ꯗꯤ ꯄꯤꯄꯜ’ꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯑꯁꯤꯃꯛ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯅꯥ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯱꯹꯵꯰ꯒꯤ ꯖꯟꯌꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶ꯇꯥ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯕꯥ ꯔꯤꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯥ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯁꯨ ꯃꯈꯥ ꯁꯥꯡꯊꯅꯥ ꯆꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯇꯨꯡꯗꯁꯨ ꯆꯠꯅꯈꯤꯒꯗꯕꯥ ꯃꯥꯜꯂꯤ꯫ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯅꯁꯤꯕꯨ ꯃꯊ꯭ꯋꯥꯏ ꯍꯥꯞꯂꯤꯕꯥ ꯏꯂꯦꯛꯇꯣꯔꯦꯜ ꯁꯤꯁ꯭ꯇꯦꯝ ꯑꯁꯤ ꯆꯨꯝꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ ꯆꯨꯞꯂꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯁꯅꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯈꯔꯗꯁꯨ ꯑꯍꯣꯡꯕꯥ ꯂꯥꯛꯍꯅꯕꯒꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯕꯥ ꯂꯩꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯈꯣꯜꯂꯥꯎꯁꯤꯡ ꯂꯥꯎꯕꯥ ꯍꯧꯅꯔꯛꯂꯒꯁꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ ꯆꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤ ꯃꯆꯤ ꯂꯦꯡꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯎꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯅꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯊꯧꯕꯨ ꯑꯍꯨꯃꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯁꯨ ꯑꯦꯒꯖꯤꯀꯌꯨꯇꯤꯚꯁꯤꯡꯅꯁꯨ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯆꯔꯗꯥ ꯄꯤꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯁꯖꯦꯁꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯤꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯃꯈꯣꯌ-ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯇꯧꯅꯤꯡ-ꯇꯧꯅꯤꯡꯕꯁꯤꯡ ꯇꯧꯕꯗꯒꯤ ꯖꯨꯗꯤꯁꯤꯌꯥꯔꯤꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯂꯧꯅꯔꯀꯄꯒꯤ ꯋꯥꯊꯣꯛ-ꯂꯥꯟꯊꯣꯛ ꯀꯌꯥ ꯊꯣꯛꯂꯤ꯫ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯗꯥ ꯑꯦꯒꯖꯤꯀꯌꯨꯇꯤꯚꯅꯥ ꯂꯧꯒꯗꯕꯥ ꯊꯧꯗꯥꯡꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯆꯔꯒꯤ ꯐꯨꯔꯤꯠ ꯈꯥꯑꯣꯗꯥ ꯌꯥꯑꯣꯗꯨꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯌꯦꯔꯀꯄꯥ ꯄꯨꯉꯂꯣꯟꯗꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯕꯥ ꯃꯥꯟꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯀꯌꯥꯁꯨ ꯊꯣꯛꯂꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯤꯁꯨꯕꯥ ꯌꯨꯝꯕꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯀꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯨ ꯃꯤꯠ-ꯅꯥꯀꯣꯡꯁꯤ ꯃꯄꯥꯡꯒꯜꯁꯤꯡ ꯁꯣꯟꯊꯔꯀꯄꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯄꯨ ꯍꯤꯅꯥꯑꯣ ꯁꯥꯗꯨꯅꯥ ꯃꯃꯥꯏ ꯆꯨꯝꯒꯗꯕꯥ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯅꯒꯤ ꯀꯥꯡꯕꯨꯁꯨ ꯃꯈꯣꯡ ꯄꯨꯜꯂꯒꯥ ꯊꯥꯗꯣꯛꯄꯥ ꯌꯦꯟ, ꯊꯧꯔꯤ ꯊꯨꯔꯕꯥ ꯁꯟ-ꯏꯔꯣꯏꯒꯥ ꯄꯥꯡꯈꯜꯂꯕꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤ꯫

ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯌꯥꯝꯕꯗꯥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯄꯅꯥ ꯄꯤꯛꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯁꯨ ꯌꯥꯑꯣꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯡꯁꯤ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯕꯨ ꯐꯃꯅꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯕꯗꯥ ꯂꯥꯜꯂꯣꯏ꯫ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯦꯛꯇꯔ ꯑꯌꯥꯝꯕꯅꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯖꯗꯥ ꯇꯣꯉꯥꯟ ꯇꯣꯉꯥꯅꯕꯥ ꯔꯣꯜ ꯂꯧꯅꯕꯥ, ꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯃꯥꯟꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯐꯖꯕꯁꯨ ꯐꯖꯕꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯂꯤꯂꯥꯒꯤ ꯐꯤ ꯁꯦꯠꯐꯃꯗꯅꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯑꯣꯏꯃꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯕꯥ ꯃꯆꯠꯁꯤ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯇ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯤ ꯃꯇꯝ-ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯱꯰꯰ ꯂꯥꯛꯂꯕꯁꯨ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯅꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯎꯆꯤꯗꯥ ꯍꯟꯖꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯈꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯊꯪ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯴ꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯥ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯂꯣꯛ-ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯃꯇꯃꯁꯨ ꯅꯀꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯒꯥ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯁꯖꯤꯕꯨ ꯊꯥꯒꯤ ꯊꯥꯃꯩ ꯑꯣꯏꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯀꯥꯂꯦꯟꯊꯥ ꯆꯉꯂꯛꯂꯒꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯍꯤꯃꯥꯏ ꯆꯨꯝꯒꯗꯕꯥ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯅꯥ ꯁꯣꯟꯗꯝ ꯅꯥꯗꯃꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯀꯄꯅꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇꯤ ꯃꯊꯧꯅꯥ ꯐꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯂꯦꯗꯧꯅꯥ ꯃꯊꯟꯇꯥ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯨꯝ ꯊꯤꯅꯒꯠꯂꯀꯈꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯏꯅꯥ-ꯍꯨꯝꯅꯥ ꯄꯥꯟꯈꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯄꯥꯟꯁꯅꯨ, ꯄꯥꯟꯒꯅꯨ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯄꯥꯟꯅꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯊꯥꯒꯠꯂꯀꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯈꯣꯉꯀꯥꯞ ꯀꯥꯔꯜ ꯆꯜꯂꯛꯇꯨꯅꯥ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ ꯆꯠꯍꯅꯕꯤꯅꯕꯥ ꯂꯃꯖꯤꯡꯒꯗꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯍꯦꯅꯕꯥ ꯃꯤꯠ-ꯅꯥꯀꯣꯡꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯒꯗꯕꯥ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯇꯤ ꯌꯥꯡꯂꯦꯟ ꯁꯔꯨ ꯂꯨꯖꯥꯑꯣ ꯇꯦꯛꯂꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯒꯥ ꯄꯥꯡꯈꯛꯂꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤꯗꯃꯛꯇꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯇꯧꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡꯁꯤ ꯐꯕꯨ ꯐꯃꯅꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯄꯥꯟꯕꯦ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯦ꯫ ꯏꯆꯥ ꯐꯠꯇꯕꯥ ꯆꯥꯑꯣꯕꯥ ꯉꯥꯏꯕꯥ, ꯏꯋꯥ ꯐꯠꯇꯕꯥ ꯁꯤꯕꯥ ꯉꯥꯏꯕꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫

# ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবা অমসুং চাবা-থকপদা মীৎয়েং অমা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৫০

**জিতেন নামৈরাকপম**

নোংমা নুমিদাংৱাইরম অমা ঐগী মরক-মরক্কী ৱাকিং চৎফম হৈরাঙ্গৈথোংদগী মাইবম লৈকায় তাখ্রগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেকেন্দ গেট তাবা লম্বী অদোমদা হৱা চাবা হায়গদ্রা মরুপ অমগা লোয়ননা ফ্রেস এয়র মরক্তুদা হকচাং তেকখৎপা চৎলুই। নুংতিগী চৎপা মীয়াম্না হেন্না খঙবীরল্লগনি। গাড়ীগা য়াম্না কা হেন্না চৎতবা নুংঙাইবা মফমনি। অয়ূক অঙনবা, অয়ূক পুং ৩/৪/৫/৬তা হৌরগা ৱাকিং পার্টিগী য়াম্না নুংঙাইবা মফমনি।



নুমিদাংৱাইরমসু চৎপবুদি চৎনৈ হায়ববু মোরে, পল্লেল, ককচীং মথং মথং থৌবাল লাইনদগী হাইগৎলকপা নৎত্রগা ইম্ফালদগী ব্রহ্মা রোদ হায়গদ্রা ম্যান্মার রোদ হায়গদ্রা অদোমদা চৎকদবা গাড়ীশিংগী ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা খঙচিন চিনবা হেনগৎলকই। তৌবতবু মায়কৈ অদোমদা শিৎলকপা নুংশিৎ ফ্রেস এয়র, লৌবুক লম্ফাং ওইবনা হকচাং অসি খংতেক খংতেক তেকখৎতবদি নত্তে। লম্বীগী মনীংদনা পাকখ্রবা লৌবুক লম্ফাং, ষ্ট্রকচর কয়া শাগৎলল্লগসু য়াম্না নুংঙাই, য়াম্না নুংঙাইবা লম্বী পরেংনি। লম্বীগী মখা থংবা পরেংদনা উ পাম্বী, উগী পরেংতনা হৌরিবা ঙাইহাক পোথাফম ওইবা মফম, মদুগী মমাঙ চন্দ্রনদি তুরেল হায়বদি য়াররোই ডাক্তর কমলগী মাধবীগী ঈচেলগা শম্নরিবা পরেং অদুদা লংথবাল এ সীগী ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এ পুকচেল চাওরবা করাম শ্যামগী মীৎয়েং মখাদসু লৈকোল, হৈ-রা থাবিদুনা অকনবা মীৎয়েং চংবীরি থাগৎনীংঙাইনি।

য়াম্না নোক্লিংবা ৱাফম অমনা পুকচেল চাওরবা মীয়ামগীদমক কথোকপতনা মশরুক ওইবনি হায়না খঙনরিবা অৱাবা, লায়রবদা মতেং পাংবীরিবা ওনরেবল এম এল এ করাম শ্যামনা থৱায় য়াওনা শেমগৎচবা লৈকোল অদুদা থাজবা মখল মখলগী লৈ কয়া অঙাও অফৈ খরনা ফৃক্তৎলগা লংথোল্লমখি হায়বগী পাউ অমসু মতম খরগী মমাঙদা তাজখি। ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেকেন্দ গেট তাবা লম্বী অদু ঐগীদি মতম অমগী নুমিৎ খুদিংগী চৎফমনি/হল্লকফমনি। উরুম লাংবা, ফ্রেস এয়র ফংবা নাশিক নৎত্রগা উ পাম্বী পরেং হৌবা মফম অদু কনাগুম্বনা পাখঙ-লৈশাবী ইনখৎলক্লিবশিংগী প্রোগ্রাম রোদ, টৌকিং রোদ কায়দনা মমিং থোনখিসু হায়নৈ। মদুদসু নত্তে মফমসিগী মনাক নকপদা লৈবা প্রাইভেট স্কুল কয়াগী অঙাং ছুটি থারকপা ঙাইবশিংগীসু পোথাফমনি। মরক অসিদা লমহেন তুহেনবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগীসু নিশা খাইফম ওইরম্বা থেংনরকখি।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ইথক থোংবা অহল লমনশিংবু অসুক্কী মতিক য়াম্না কিজখি। মমাঙদা তুবৎ লাল্লগা চৎপা ঙম্বা নত্তে। অদুক্কী মতিক ইকায়খুম্নজখি। অদুবু হায়রিবা অঙাং নহাশিংদুদি ঐখোয়বু উনা উনা চুরুট ফৈনা ফৈনা চিংখৎলকই। কনাগী অরৈ অরৈবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মখল শুনা চারবা-থল্লবা নহা ঙাক্তা ওইনা উজখি। কনানা খৈনি উম্বা, শাজন হীদাক মনা উম্বা য়াও অদুগা খ্বাইদগী ঙকপা অমনা মনমগদি নুংশিবা হীদাক মনা রজনিগন্ধ, তলব পেকেট মচা মচাশিং শেগাইরগা মখনাওদা পুল্লপ পুল্লপ লংশিনখি। কাবক কাবক উইবা য়াও, মঙবা য়াও মখোয় ফজনা নিশা শান্নবা উখি। মখোয় ঐখোয়গী নুংশিখ্রবা তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা ইচা ইনাও ঙাক্তনি। মখোয়দা ঐখোয়না করি হায়রুগনি। হায়রুরগসু ‘হে! অহল নৱা লৌদে’ হায়রগা ওনশিল্লগা ফুরক্কদৌবগুম মানশিল্লকই। মসিনি হৌজিক মণিপুরদা কন্না চৎনখৎলক্লিবা মচৎ!

মণিপুরদা ইনখৎলক্লিবা নহা খুদিংমক ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবদি নত্তে। শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক হায়বদু মচেৎ অমত্তা মহাও তংদনা মথ্বায় কৎথোক্তুনা শান্নজবা ওপার অমা লৈরি। মহৈ মশীনগী লমদসু অদু মঙাই কম্পিটিটিভ এগজামশিংদা মকোক মথং তারকপা মায় পাক্লকুবা মহৈরোয় কয়া ঙসিনা ওফিসর ওইরবা কয়াসু লৈরি। অদুদসু নত্তে আর্ট এন্দ কলচরদা, মাগী মাগী হোৎনজরুবা ফিল্মশিংদা নৎত্রগা ওন্ত্রপ্রেন্যুর ওইরল্লবা শীংথানীংঙাই ওইরবা নহা কয়াসু হৌরক্লি। তৌবতবু ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরগী লমজিং মখাদা চত্থরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস শম্না হায়রবদা মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক হায়বদু পুংথুপ থুপচিন্নবা খোঙথাংদা মায় পাক্লবা হোৎনবনা তুংগী মীরোলশিংগী খুদোল ওইহন্নীংই। মালেমগী লৈবাক পূম্বনা থিংবা ঙমদ্রবা য়ুবুদি লায়বু লায়রি। মৌনহা, অহল, হনু-হনা খায়দনা চানরিবা হীদাক মনা জর্দা, লৈকায় লৈকায়, খুঙ্গংগী দুকানশিং, পান দুকান খক্তনা য়োল্লিবা চুরুট, বিড়ি, খৈনি, তলব, রজনিগন্ধ, শাজন, খৈনি অনোইবী, নম্বর ফোর, কানি, ব্রাউন সুগর, এন টেন, দল্লিয়ু ৱাই মখল মখলগী ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিংনা তপ্না তপ্না লাঙ্গৈাই চনশিল্লক্লিসিদগী নান্থোক্লবা লম্বী অমা থিংবা চঙলি।

ঙরাং নহান্তসু মণিপুর লৈঙাক্না য়ু লিগেলাইজ তৌনবা খোঙথাংগা মরী লৈননা হ্বাইট পেপর পুথোক্লবা শেম শাখ্রে হায়বগী পাউ তাবা ফংই। তরেৎ তরা, চাম্মা থোক্লা খন্ন-নৈনখ্রবা মতুংদা মালেমগী মফম অমত্তদা য়ু থিংবদি ওইথোক্ত্রে। হু চেনবা য়ু পীথক্তনবা রিগুলাইজেসন তৌহন্নবা ৱারেপ লৌবদি লৈখ্রে। য়ুদি শঙ্গোম নত্তে হায়বসিদি ইখঙদা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করিদি পান্বে লৈরি য়ু থিংল-থিংলগা ব্লেক মার্কেট তৌবশিংগী ফুরিৎখাও চোন্নবা লৈঙাক্তা রেভন্যু অমত্তদি কাহন্দনা লৈরিবসি থুগাইনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংসু ওইরমগনি। থকনীংবা কাঙবুনা থকচসনু থকনীংদবা কাঙবুদা নমদনা ইল্লগা থকহনলুবসু ঙল্লোই। মণিপুরদা প্রোহিবিসন লৌথোক্লগা য়ুগী ঈপাক্তা তাওগদবসু নত্তে। ঐখোয়গী ইমুংদা, লৈকায়দা য়ু থক্তবসু ধমাদা লৈরি। তৌবতবু মণিপুর য়ুগী লৈবাক্তি ওইহনগুমসি। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ৩

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

শাদা ফাওবা ‘মৈতৈ ষণনাওনা মমা কৌবদা/খোংবদা’ ‘ইমা’ হায়ফেৎ মানবা খোন্থোক থোকই। ষণবীনা মচা কৌবদা/খোংবদা ‘মো/ইমা’ হায়ফেৎ মান্না খোংই। মসিবুনি লোল হায়বসি। মৈতৈ ক্বাক্কী মচুদি ফজনা মুই, খরসু চাওই অদুগা খোংবদনা ক্বাক ক্বাক হায়না খোংবসিনা ক্বাক হায়বা উচেক মখলসিগী মমিং খঙনরবসু, মানা খোংবদা থোরকইবা খোন্থোক/খোন্থাংসি মখোয়গী মরোলনি হায়না লৌগনি। মথক্তসু হায়জখ্রে, গুৱাহাটিদা লৈবদুদি মৈতৈ ক্বাক্তগী পীকপসু হেল্লি, মঙক্কীদা মুরগা ৱাওথাংনবা মচুনা কোয়শিল্লগা খোংবদা য়াম্না তানীংদবা খোন্থোক ‘কাক কাক’ হায়ফেৎ মান্না ঐখোয়না তাই। মসিনা ময়াং ক্বাক্কী মরোলনি হায়না লৌগনি।

মীরোল : মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী ওইনা শেংনা ঙাঙনরিবা লোলসিগা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী লোলশিংগা মান্নদে। মান্নবা ৱাহৈ ৱাতাগী খোন্থোক হায়রপ মান্নবা খরা য়াওরম্বা য়াই। মান্নবা ফুরুপ অমগী লোলদগী মান্নদবা ফুরুপশিংগী ওইবা লোলশিংগা খেন্নবা লোলশিং লৈনববু মাগী মাগী মরোল কৌগনি। মান্নদবা তোঙানবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তনা অমনা অমগী মীরোল হায়নগনি।

খুদম, মৈতৈলোল ঙাঙবশিংনা হিন্দি/টামিল/বেঙ্গলি/অসামিজনচিংবা লোলশিংবু মীরোল হায়রগা খঙনবনা, মখোয় মশেল মরক্তসু অমনা অমবু মীরোন হায়গনি। মরোল অতৈ ঙাঙবশিংনসু ঐখোয়গী মৈতৈলোল/মীতৈলোলবু মীরোল হায়গনি। অসুম্না মালেমদা তোঙান তোঙানবা লোল মশীং ৭১০০ ঙাঙবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ লৈনরিবশিংসি অমনা অমগী মরোলবু মীরোল হায়গনি। খঙবা নুংঙাইনবা-ঐখোয়গী লোলদা ‘ইমাবু-ইমা’ হায়বদা মীরোল ঙাঙবশিংনা ‘ইমা’ বু মোম/মমি/মাঁ হায়নৈ। ‘ইপা’ বু পাজি/বাজি হায়নবদা মীরোলদনা দেদ/দাদি/পাপা/ফাদর/পিতা/পিতাজি হায়নৈ।

ফাওনলোল : তোঙান তোঙানবা মান্নদবা মালেমগী মীওইবা ফুরুপশিংগী মরক্তা মশীং য়াম্বা মালেমগী মীওইশিংনা/খরা চাওবা লমগী মীওইশিংনা ঙাঙনবা মশাগী মরোলদগী হেন্দোক্লা মীরোল খরা ঙাঙবা অমদি ইবা হৈবদগী ঙাঙনবা/ইনবা ঙম্বা, মথৌ তাবা মরমগীদমক লোল মান্নদবা মীওই অনীগী মরক্তা শান্নরিবা ৱারী/ৱা ফাওদোক ফাওজিন হায়বদি ৱারী-ৱাতাই তৌনবদা শীজিন্নবা (অহুমশুবা মীশক অমগী) লোল অদুবু ফাওনলোল হায়গনি। শম্না হায়রবদা, মী অমনা লোল মান্নদবা লোল অনী/অহুম মশাগী লোলগী মথক্তা খঙবদগী, অহুমশুবা মীশক অমা ওইনা/লোল মান্নদবা মীওই অনীনা মশা মশাগী লোলশিংগী মথক্তা/লোল মান্নদবা অনীগী মরক্তা অমনা অতোপ্পদুগী লোল খঙবদগী অতোপ্পগী অখঙবা লোলদুদা ৱারী ৱাতাই তৌনবা/পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবা লোলদুবু ফাওনলোল হায়না খঙনগনি।

খুদম, লমদমসিগী চীংমী ইচিল ইনাও অনী- অমনা অমগী লোলদি খঙনদ্রবসু মৈতৈ লোলবুদি মখোয় অনীনা খঙবদগী মৈতৈলোলদা ৱারী ৱাতাই তৌনবদা শীজিন্নবা লোল ওইরিবা মৈতৈলোলসি মখোয় অনীগীদি ফাওনলোলনি।

হিন্দি ঙাঙবা মীরম মচা অমগা লমদমসিগী হিন্দি খঙবা মৈতৈ মচা/মীতৈ মচা অমগা ৱারী শানবা মতমদা হিন্দি ঙাঙনবদুনদি মৈতৈলোল/মীতৈলোল খঙদবদগী হিন্দি লোলদা ৱারী শানরগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা শীজিন্নরিবা লোল হিন্দি লোলসি মখোয় অনীগীদমক্তদি ফাওনলোলনি। ফুরুপসু লোলসু মান্নদবগী মথক্তা অমনা অমগী লোলবু খঙনবা অদুবু মখোয় লোইনমক্না ইংলিস লোলদুবু খঙনবদগী মখোয় মশেল ৱারী ৱাতাই তৌনবা লোল ইংলিসসি মখোয় ময়ামগী ফাওনলোলশিংগী মতেংনা ফুরুপ মান্নদবা লোলসু মান্নদবদু মখোয় মশা-মশাগী লোলশিংগী মথক্তা অতৈ অতোপ্পগী মীরোল ওইবা লোলশিং তম্বা য়াই। খুদম, মৈতৈ মচা অমনা জপানিজ লোল/চাইনিজ লোল/কোরিয়ন লোল তম্নীংবা লোল অমা/খরা তম্বা পাম্বদা - মহাক মশানা ইংলিস লোল খঙনবদি - তম্বীগদবা ওজাদুদি ইংলিস অমদি তম্নিংলিবা লোলসু খঙবনিনা ওজাদুনা মীরোলদু অতোপ্পা মীরোল ইংলিসকী মতেংনা লোলদু হন্দোক্লগা তম্বীবদা খঙবা ঙমগনি। অসুম্না অপাম্বা মীশিংনা মখোয় মশাগী লৈজরিবা লোলশিংগী মথক্তা মীরোল খরা/কয়ামরুম তম্লগা খঙবা য়াই। তম্লগা খঙলুবা লোলশিংদু মমালোলনি হায়বা য়াদে, মীরোলনি হায়গনি, মরোল তিন্নদবা অনীনা মখোয়না তম্লুবা লোলদু খঙবদগী ৱারী ৱাতাই তৌনরবদি মতমদুদা মখোয় অনীনা ৱারী শানরিবা লোলদু মখোয় অনীগী ওইনদি ফাওনলোল হায়বদু ওইরবনি। মতাং অসিদা ৱারী শানরিবা মখোয় অনীমক ইংলিস লোল খঙলবসু ৱারী শানবদা শীজিন্নদবনা ইংলিস লোলদু ফাওনলোলনি হায়ররোই। মীরোল তম্লগা ফাওনলোল ওইরকপদা মতাং মতমগী মতুংইন্না কান্নবা লৈ হায়বা য়াই। খুদম ওইনা, মুকশন লুহোংবা, মফমদুদা থবক তৌবগী খুদোংচাবা ফংবা য়াবা, চাওখৎপা লৈবাক্কী লোল খঙবনা মহৈ মশীন তম্বগা লোয়ননা লল্লোন ইতিক তৌবদা খুদোংচাবা, অতৈ অতৈ মথৌ তাবা অপাম্বগী মতুংইন্না।

লোলয়ান : মসিবুনি অইবা ইশাগী ওইনা য়াম্না কন্না পামজদবা। ইচম চম্বা মরমদি লোলয়ানসি ঙাঙবদা অমদি ইবদা ইশাগী অশেংবা লোল ঙাক্তা ঙাঙবা অমদি ইবা মতমদা শীজিন্নগদবদু মরম খরদগী মীরোল য়াম্না য়ানশিনবনা অশেংবা ইরোলগী মতিক ময়াই মাঙহল্লি। ঙাঙবদা অমদি ইবদা তোয়না শীজিন্নরক্লিবদি হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ইশাগী অশেংবা লোল খঙহন্দনবগী লমচিং ওইনা থোকই। অদুনা হেক য়ারিবমখৈ লোলয়ান শীজিন্নরোইদবনি হায়বা অকনবা ৱাফমসি থমজনীংই। থমসু থমজরি। ইরোল ইয়েক মরাই চাইথরক্লবদি ফুরুপ্পুগী/ফুরুপসিগী খুন্নাই মহাম তারবনি হায়না লৌগনি। মীরোলগী মখা পোল্লে হায়না হায়রকপা য়ারিপোৎনি। খুদম, বৃটিশকী লোইলম মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৈরম্বদা লোলদগী, ময়েক্তগী করিদগী মখোয়গী মখা পোল্লে হায়বা য়াই। অদুনা ইংলিসনা মালেমগী মরু ওইবা ফাওনলোল ওইরিবসিনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৩

১) **‘‘খুরোই হাওরা লমলাংতোং’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **‘‘নঙগা ঐগা অমত্তনি’’** মমিং থোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) **‘‘প্রভু! ঐ খৃষ্টমাস য়াওজররোই’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **‘‘অরোইবা শৈরেং’’** মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো? লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৫) **‘‘লম্মুক্লরে ঐহাক্তি/মাঙখ্রে, ঐগী লম্বেল।/থাংঙমদরে খোঙ অসি;/কদোমদনো, কদাইনো, চৎকদবা ঐগী লম্বেল/শুক্লবা, মল্লবা, মোৎলবা সীমেত্রি ময়ায়সিদা।’’** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। কবি অসি কনানো? মহাক্কী করি মমিং থোনবা লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।